## য়ু কেগী মীখলদা মীরেপ ওইররোই

লন্দন, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সি) :
ব্রেক্সিট পার্টি লিদর নাইজেল ফেরাজনা মহাক দিসেম্বর ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা বৃটেনগী জেনরেল ইলেক্সন্দা কন্টেষ্ট তৌররোই হায়না লাউথোকখ্রে।

বি বি সীগী রিপোর্টনা ফেরাজকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, মহাক মীখলদা মীরেপ ওইনা চোংথোকপগী মহুত্তা মহাক্কী পার্টিগী কেন্দিদেন্ট ৬০০ শৌগত্তুনা থবক তৌবনা বেক্সিটকী থৌরাংদা হেন্না খুদোংচাহনগনি খনবদগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

## য়ু এস অমদি মীচংশিংদা টার্গেট তৌগনি

টেহ্‌রান, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সি) :
করিগুম্বা ৱাশিংটন্না ইরানগী মায়োক্তা অকন-অরিংগী থৌওং চথরকপা তারবদি ইরানিয়ন ফোর্সশিংনা য়ু এসখত্তগ্মক টার্গেট তৌবা নত্তনা মীচংশিংদসু ওনজিনগনি হায়না ইরানগী আর্মর্দ ফোর্সেকী স্পোক্সমেন অবোলফাজল সেখারচিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রেস টি ভিগা উনবা ফোঙদোকখ্রে।

## ইরানগী কোন্স্যুলেটতা নম্ফুদা চঙনবা হোৎনবা ইরাক্কি প্রোটেষ্টরশিংদা কাপ্পদা মীওই ৩ শিরে



বাঘদাদ, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সি) :
হৌখিবা অহিংদা ইরাক্কী শেংলবা সিয়াইট মুস্লিম সিটি কের্বালাদা লৈবা ইরানিয়ন কোন্সুলেটতা নমদুনা চঙনবা হোৎনখিবা প্রোটেষ্টরশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈ কাপ্পদা প্রোটেষ্টর অহুম শিখ্রে হায়না সিক্যুরিটি অমসুং মেদিকেল সোর্সশিংনা নিংথৌকাবদা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিংগী নুমিদাং অথেংবদা কোন্স্যুলেট অদুগী মমাংদা পুনখিবা প্রোটেষ্টরশিংনা টায়র কয়া মৈ থাবগা লোয়ননা ইরানিয়নশিং চৎখ্রো, কের্বালা থাদোকউ হায়বা খোল্লাও লাউখি। ইরানিয়ন কোন্স্যুলেটকী মমাংদা প্রোটেষ্ট তৌদুনা ইরানগী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাউননবা ঙসি ঐখোয়না কের্বালাদা পুল্লিবনি। তশেংনমক ইরানগী ফিরাল চিংথরগা ইরাক্কী ফিরাল ওইনা চিংখৎনবগীদমক্তা ঐখোয় মফম অসিদা লাক্লিবনি হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা প্রোটেষ্টর অমনা হায়খি।

ইরাকি ওফিসল হ্যুমেন রাইটস ৱাটচদোগনা মীশিশিং অদু কনফার্ম তৌখি। ইরকি হায় কম্মিসন ফোর হ্যুমেন রাইটস (আই ঐচ সী ঐচ আর)না ফোঙদোকখিবদা, নোংমৈনা পান্দুনা মীওই অহুম শিখি অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিং য়াওনা মীওই কয়া অমনা অশোক-অপন নংখি।

মীয়াম্না গেট নমখায়রগা কোন্স্যুলেটতা চঙননবা হোৎনখিবনি হায়না আই ঐচ সী ঐচ আরনা ফোঙদোকখি। সিক্যুরিটি সোর্সশিংনদি প্রোটেষ্টরশিং অদুনা কোন্স্যুলেট মৈ থানবা হোৎনখি হায়না মরাল শীখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টর লিশিং কয়ানা সেন্ট্রেল বাঘদাদতা পুন্দুনা প্রোটেষ্টশিং অদু লোইশিন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা তৌখিবা আপিল থৌশাদবগী থৌওং চথখি। প্রোটেষ্টশিং অদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা শেল-থুমগী ওইনসু দোলর বিলিয়ন কয়া মাঙহল্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর অবদেল অব্দুল মহাদিনা ফোঙদোকখিবনি।

পোলিটিসিয়নশিংনা য়ানরবদি মহাক রিজাইন তৌগে হায়নফাওবা প্রাইম মিনিষ্টরনা মমাংদা ফোঙদোকখ্রবনি।

## লেবাননদা প্রোটেষ্টরশিংনা লম্বীশিং থিংখ্রে



বৈরুট, নবেম্বর ০৪(এজেন্সি) :
লেবাননদা শেল-থুমগী ক্রাইসিস অমা থোক্লিঙৈদা লৈবাক অদুদা পোলিটিকেলগী কাং খোং চাইবা ফিভম অমা লাকহল্লিবা দেমোনষ্ট্রেসনশিং রুলিং এলিটকী মায়োক্তা লেপ্তুনা চথরকখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তসু প্রোটেষ্টরশিংনা কেপিটেল বৈরুট অমসুং লৈবাক অদুগী অতৈ মফমশিংগী লম্বীশিং থিংজিনখ্রে।

গভর্নমেন্টনা হৌখিবা ওক্তোবর ১৬দা ৱাটচএপকী কোলশিং চার্জ তৌবগী প্রপোজল অমা লাউথোকখিবদগী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা লৈবাক শীন থুংনা চথরক্লিবা প্রোটেষ্টশিংনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চয়োলদা প্রাইম মিনিষ্টর সাদ অল-হরেরিফাওবা মফম থাদোকখি।

অনৌবা কেবিনেট অমা শেম্ন নবা ফোরমেল কন্সল্টেসনগী থবক হৌজিক ফাওবা চথদ্রি। হরিরিনা মফম থাদোকখিবা মতুংদা প্রোটেষ্টশিং নেমথরত্তুনা রোদব্লোকশিং লৌথোকখি অমসুং চয়োল অনীগী মনুংদা অহানবা ওইনা ইরাই নুমিত্তা বেঙ্কশিং নৌনা অমুক থোঙ হাংনখি।

তৌইগুম্বসুং নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা বৈরুট অমসুং লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা ইনৌ নৌনা অমুক লম্বী থিংবা হৌখি। কেপিটেলগী অৱাং অমসুং খারোমদা লৈবা মরু ওইবা সমুদ্র মপানগী হায়ৱে য়াওনা মরু ওইবা লম্বীশিং চৎথোক-চৎশিন য়াখিদে। নৌনা অমুক হাংলগনি হায়না তৌরম্বা স্কুল কয়াসু মখা তানা থিংখিগনি হায়রি।

## ইন্দিয়ন সিখ ১,১০০ পাকিষ্টানগী গুরদ্বারা পঞ্জা সহিবতা থুংখ্রে



ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সি) :
সিখিজম হৌদোক্লম্বা গুরু নানক দেবগী ৫৫০ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা লাইনিং লাইশোনগী খোঙচৎ নগর কির্ত্তনদা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াদগী চৎখিবা সিখ ১,০০০ হেন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা পাকিষ্টানগী হসনাবদাল সিটিগী গুরদ্বার পঞ্জা সহিবতা থুংখ্রে।

পঞ্জাব প্রোভিন্সিতা লৈবা গুরদ্বার অদু মচু কয়াগী মৈঙালশিংনা লৈতেংখি অমসুং লাইফম কোয়বশিংনা তোঙান তোঙানবা লাইনিং লাইশোনগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি। ইভাক্কি ট্রুষ্ট প্রোপর্টি বোর্দ (ঈ টি পি বি)গী দেপ্যুটি সেক্রেটরি শ্রাইন্স ইমরান গোন্দালনা হায়খি মদুদি, সিখ ১,১০০ হেন্না ওক্তোবর ৩১ দা লুধিয়ানা অমসুং অম্রিটসর ফাওরগা লাল্লগা ৱাগাহ লাল্লগা পাকিষ্টান্দা চঙশিল্লকখি। সিখ লাইফম কোয়বশিং অদু গুরদ্বারা জনামাস্থন, ননকানা সহিব, গুরদ্বারা সচা সোদ্দা ফরুকবাদ অমসুং অতৈ লাইফম কয়াদা চৎখি।

লাইফম কোয়বগী খোঙচৎ অদু কর্তারপুরদা লৈবা গুরদ্বারা দরবার সহিবতা লোইশিন্দুনা মফম অদুদা সনাগী দোলাই পালকি সাহিব খিনগনি। পাকিষ্টান অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা কুমজা ১৯৭৪ দা য়ান্নখিবা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা মফমশিংদা চৎপগা মরী লৈনবা প্রোটোকোল অমগী মখাদা নগর কির্ত্তনগীদমক্তা অহেনবা ভিজা ১,৩০০ লোম ইশ্যু তৌখি হায়না গোন্দলনা ফোঙদোকখি। পাকিষ্টান সিখ গুরদ্বারা পর্ভন্দ কম্মিটি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা খুৎশম্ন রগা বোর্দ অদুনা ইন্দিয়ন অমসুং লোকেল সিখ লাইফম কোয়বশিংগী সিক্যুরিটি অমসুং লৈফম চাফমশিং শিল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লাইফম কোয়বা মীওই কয়ানা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা কর্তারপুর কোরিদোর হাংদোকপগা লোয়ননা সিখশিংগী লাইনিং লম্বীগী অনিংবা-অপাম্বা কয়া থুংহন্নবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংবু থাগৎপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানবুসু গুরু নানক দেগী ৫৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা নীংশিং শেনয়েক অমা চৎনহনবা অমদি ননকানা সহিবতা ববা গুরু নানক য়ুনিভর্সিটিগী উরেপ-উয়ুং খিনবগীদমক থাগৎখি।

## অসিঅন লৈবাকশিংনা মেগা ট্রেদ দিল খুৎয়েক পীননবা য়ানখ্রে

বেঙ্কোক, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সি) :
এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন)গী মেম্বর ষ্টেট ১০না কুমজা ২০২০ দা মেগা ট্রেদ দিল অমা খুৎয়েক পীননবা শেম শান্নবগা লোয়ননা করিগুম্বা মদুনা থবক্তা ওল্লকপা মতমদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ট্রেদিং ব্লোক অমা উবা ফংলগনি হায়না থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুথ চান-ওচানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।




মরু ওইনা চাইনাগী ইথিলদা শেম্নবা হোৎনরক্লিবা রিজনেল কোম্প্রিহেন্সিভ ইকনমিক পাটনরসিপ (আর সী ঈ পি) অদুনা মালেমগী জি দি পি অপুম্বগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোম পুনবগী ফিভম লাক্লহল্লগনি। অসিঅনগী মেম্বরশিং ম্যান্মার, ব্রুনৈ, কেম্বোদিয়া, ফিলিপিন্স, ইন্দোনেসিয়া, লাওস, মালেসিয়া, সিঙ্গাপোর, থাইলেন্দ অমসুং ভিয়েটনামদা নত্তনা মদুদা ওষ্ট্রেলিয়া, সোউথ কোরিয়া, জপান, ইন্দিয়া, ন্যু জেলেন্দসু য়াওগদৌরিবনি।

বেঙ্কোক্তা চথরিবা সম্মিটকী ফ্রেমৱার্ক মনুংদা রিজনেল ব্লোক অদুগা লোয়ননা চাইনা, সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানগী মরক্তা পাঙথোকপা মীফম অমা হৌদোকপদা থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্ট প্রয়ুথনা অসিঅন মেম্বরশিংনা নিগোসিএসনগী থবকশিং লোইরে অমসুং মথংগী চহীদা ট্রিটি অদু খুৎয়েক পীননবা শেমশারে হায়না লাউথোকখি।

আর সী ঈ পিগী নিগোসিএসনশিং কেম্বোদিয়াদা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১২ কী অসিঅন সম্মিটতা হৌনবী মতুং ইন্না হৌদোকখিবনি। পাটনরসিপ অদুনা মীশিং বিলিয়ন ৩.৪ হায়বদি মালেমগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৪৭ কোনবগা লোয়ননা মসিদা ট্রিলিয়ন দোলর ২২.৬কী জি দি পি হায়বদি মালেমগী জি দি পি অপুনবগী চাদা ৩২.২ চেন্নগদৌরিবনি।

এগ্রীমেন্ট অদুনা হৌজিক্কী মালেমগী লল্লোন ইতিক্কী শেনফমগী চাদা ২৯ অমদি মালেমগী ইনভেষ্টমেন্ট অপুনবগী চাদা ৩২.৫ ব্লোক অমদগী থোকহল্লগনি।

অমরোমদা, পাটনরসিপ অদু শেম্বগা মরী লৈননা চথখিবা নিগোসিএসনশিংগী নোলেজ মতিক চানা লৈবা ইন্দিয়ন ওফিসল অমনা ৱাফম খুদিংমক লৈখায় তাবা লোইদ্রি অমদি মখা তানা খন্ন-নৈনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

## মুন, অবেনা ইশ্যুশিং লৈখায় তানবা ৱারী শানবদা য়ানখ্রে



সিওল, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সি) :
জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা লৈরিবা পোলিটিকেল অমসুং লল্লোন ইতিক্কী প্রোব্লেম কয়া সোল্ভ তৌনবা নাকল অনীগী মরক্তা অৱাংবা থাক্তা ৱারী শানবগী ৱাফম অমা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেগা ৱারী শানবদা হৌদোকখ্রে হায়না মুনগী স্পোক্সপর্সন্না ফোঙদোকখ্রে।

থাইলেন্দগী কেপিটেল বেঙ্কোক্তা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন)গী মীফম অমগী নাকোয়ননা লুচিংবা অনীনা মিনিট ১১ ৱারী শানখি হায়না স্পোক্সপর্সন কো মিন-জুংগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। সাউথ কোরিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্টনা হৌখিবা চহীদা জপানিজ ফার্মশিংদা লানগী মতমদা নমফুদা থবক শুহনখিবা লেবররশিংদা কম্পেন্সেসন পীনবা ওর্দর তৌখিবদগী চহী কয়ামুক্কী মনুংদা লৈবাক অনীগী মরী অহানবা ওইনা কা হেন্না শোকচিল্লকখিবা মতুংদা মীফম অদু পাঙথোক্লিবনি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱার্কিং-লেভেলগী ৱারী শানবগী মতাংদা পল্লদুনা কোনা হায়খি মদুদি, লুচিংবা অনীনা দাইলোগকী খুথাংদা বাইলেটরেল ইশ্যুশিং ৱারোইশিন পুরকপগী প্রিন্সিপলদা নৌহৌননা অমুক য়ানখ্রে।

প্রসিদেন্ট মুনগী মায়কৈদগী তঙাইফদ্রবদি অৱাংবা থাক্তা ৱারী শানবগী ৱাফম ওফর তৌখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর অবেনা মান্নবা পাম্বৈশিংগী খুথাংদা রিজোল্যুসন অমা পুরক্লবগী ৱাফম ফোঙদোকখি হায়না কোনা মখা তাখি।

জপানগী এন ঐচ কে ব্রোদকাষ্টরনসু লুচিংবা অনীনা মখোয়গী মরী মরু ওই হায়বা য়ানখিবগা লোয়ননা য়েৎনরিবা ৱাফম খুদিংমক ৱারী শান্নদুনা লৈখায় তান্নবা লেপ্পখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টর অবেগী মায়কৈদগী হৌখিবা চয়োলদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুনগী মমা লৈখিদবগী মতাংদসু অৱাবা ফোঙদোকখি হায়না এন ঐচ কেনা মখা তাখি।

## য়ু এস, নোর্থ কোরিয়া নবেম্বর ময়াই চল্লকপদা ৱারী মখা চথরবা য়াই



সিওল, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়ানা থাখিবা চহী লোইবফাওবগী মতমগী মাঙওইননা লৈবাক অসিগা য়ু এসক্কী ৱারী থুজিন্নবগীদমক য়াম্না থুনা নবেম্বর থাখায় ফাওবগী মনুংদা নাকল অনীগী মরক্তা ৱার্কিং-লেভেলগী অতোপ্পা ৱারী রাউন্দ অমা চথরবা য়াই হায়না সাউথ কোরিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ভিয়েটনামদা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা পাঙথোখিবা সম্মিট অমা ফেল ওইখিবা মতুংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং-উননা হৌখিবা জুনদা উনদুনা দিন্যুক্লিরাইজেসনগী ৱারী মখা চথবগী ৱাফম য়ানখিবদগী অহানবা ওইনা নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ু এসকী ওফিসলশিংনা হৌখিবা থাদা ষ্টোকহোমদা উনখি।

তৌইগুম্বসুং নোর্থ কোরিয়াগী এনভোইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদগী অথিংবশিং লৌথোকপগী মতাংদা হান্নগুম্না খোঙফম চেৎনা লৈদুনা অনৌবা ৱাফম অমত্তা হৌদোরক্তে হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা স্বিদেনদা ৱারী শানবদু কায়খিবনি।

কিম্না থাখিবা চহী লোইব-ফাওবগী মতমগী মাঙওইননা নিগোসিএসনশিং খোঙজেল য়াংনা চথবা য়ানবা নাকল অনীনা লাক্লিবা দিসেম্বরগী মমাংদা অমুক হন্না উনরবা য়াই হায়না সাউথ কোরিয়াগী লোমেকর লি ঈয়ুন-জেনা নেসনল ইন্টলিজেন্স সর্ভিসকী ব্রিফিং অমদা শরুক য়ারুরবা মতুংদা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা করি লৈবগে হায়না সিওলদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিদা হংবদা খুদক্কী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে হায়রি। ৱারী শানবদু থা অসিদা নৎত্রগা দিসেম্বরগী অঙনবদা পাঙথোকপা য়াই হায়বগী থাজবা এন আই এসদা লৈ হায়বা লিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## কাবুলদা লৈবা পাকিষ্টান এম্বেসিগী কোন্স্যুলর সেক্সন থিংজিনখ্রে



কাবুল, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগী কেপিটেল কাবুলদা লৈবা পাকিষ্টান এম্বেসিনা সিক্যুরিটিগী ৱাফমশিংনা মরম ওইদুনা মখা তাবা নোটিস থোক্ত্রিফাওবা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী কোন্স্যুলর সেক্সন থিংলগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

কাবুলদা লৈবা পাকিষ্টানি দিপ্লোমেটশিংদা ওৎ-নৈবগী রিপোর্ট খরগা মরী লৈননা পাকিষ্টানদা লৈবা অফগান চার্জ দেফেবু নোংমাইজিং নুমিত্তা পাকিষ্টানগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফ্যেরসনা কৌখৎখি হায়না মিনিষ্ট্রিনা থাদোকপা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টানি দিপ্লোমেটশিং ওৎ-নৈবগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবসু মিনিষ্ট্রি অসিনা তকশিনখ্রে হায়না তোরেল ন্যুজগী ফোঙদোকখি।

কাবুলদা লৈবা পাকিষ্টানি দিপ্লোমেটশিং ওৎ-নৈ হায়বগী রিপোর্ট পল্লদুনা পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন মোহমদ ফাইসালনা হায়খি মদুদি, পাকিষ্টানগী এম্বেসিগী ষ্টাফপু ওৎ নৈখি হায়বা ৱাফম অসি অফঘান চার্জ দে ফেদা খঙহনখ্রে। মখোয়বু লম্বীদা অকনবা কয়া পীবগা লোয়ননা এম্বেসিগী গাড়িশিংসু এম্বেসি তম্না লাকপদা মোটোর সাইকলশিংনা থেংজিনখি হায়না ফাইসালনা ফোঙদোকখি।

অফঘান চার্জ দে ফেদা দিপ্লোমেটিক প্রিভিলেজস এন্দ ইম্যুনিটিজগা লৈনবা ভিয়েন্না কনভেন্সনগী পার্টি অমা ওইনা পাকিষ্টানগী মেম্বর খুদিংমকপু মনীং তৌনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহনবা অমদি মখোয়গী সেফটি অমসুং সিক্যুরিটিগী হোৎনবা হায়বসি গভর্নমেন্ট ওফ অফঘানিষ্টানগী থৌদাংনি হায়বসি খঙহনখি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থাদা খাইবর পাখতুনখ্বাগী কেপিটেল সিটি পেশাৱারদা লৈবা য়েৎনবা প্রোপর্টি অমনি হায়না লৌনবা অফঘান মার্কেট অমদগী অফঘানিষ্টানগী ফিরাল লৌথোকখিবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা সিটি অদুদা অফঘান কোন্স্যুলেট থিংজিনখিবা মতুংদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী খোঙথাং অসি লাকখিবনি। মার্কেট অদু জিনা পার্ককী মমাংদা লৈবগা লোয়ননা লম একর কয়া কোলি হায়রি।

## ভেনিজ্যুএলানা সেলভাদোর দিপ্লোমেটশিং তান্থোকখ্রে




করাকাস, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সি) :
লমন খুন্বগী খোঙথাং অমদা ভেনিজ্যুএলা গভর্নমেন্টনা এল সেলভাদোরগী দিপ্লোমেটিক পর্সনেলশিং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখ্রে। ভেনিজ্যুএলাগী ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদোবু সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অদুগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা শকখঙবগা লোয়ননা এল সেলভাদোর গভর্নমেন্টনা ভেনিজ্যুএলান দিপ্লোমেটশিং লৈবাক অদু থাদোক্লবা ওর্দর তৌখিবা মতুং নোংমা লৈরগা নোংমাইজিং নুমিত্তা খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

প্রসিদেন্ট নয়িব বুকেলেনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা অমদা মহাক্কী গভর্নমেন্টনা ভেনিজ্যুএলাগী দিপ্লোমেটিক কোর অপুম্বা এল সেলভাদোর থাদোক্লবা পুং ৪৮গী মতম পীরে হায়খিবনি। মান্নবা খোঙথাং লৌখত্তুনা লমন খুন্বগী প্রিন্সিপল অমগী মখাদা ভেনিজ্যুএলানা করাকাসতা লৈরিবা এল সেলভাদোরগী দিপ্লোমেটিক পর্সনেলশিং তান্থোকখিবনি।

বুকেলেনা য়ু এস ফোরেন পোলিসি শৌগত্তুনা ভেনিজ্যুএলাগী মীয়ামগী মায়োক্তা অকন-অরিংশীংবগী থৌওং উৎপা ৱাশিংটনগী ষ্টেট্রেজিদা ইনোৎ হাপ্লে হায়না ফোরেন মিনিষ্টর জোজ অরিজানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা ইফে ন্যুজগী রিপোর্টনা হায়খি।

অরিজানা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অদুদা করাকাসতা লৈরিবা এল সেলভাদোরান দিপ্লোমেটিক পর্সনেল খুদিংমক নিকোলাস মাদুরোগী রিজমনা য়াদবগা লোয়ননা লৈবাক অদু থাদোক্লবা চৎখিনবা মখোয়দা পুং ৪৮ গী মতম পীখ্রে হায়না পনখি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মখা তারদুনা ৱাফম অসি লাউথোকপা লৈরবসু ভেনিজ্যুএলাগী মায়কৈদগী মতম চুপ্পদা এল সেলভাদোরগা লোয়ননা লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লৈহন্নবা অমদি লৈবাক মশেলগী মরক্তা সোভরেন্টি, ইন্দিপেন্দেন্স অমসুং ইন্টিগ্রেসন চেৎশিন্নবা মখা তানা হোৎনখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।